# পুন্সিগী মমল খরসু লৈহনবীয়ু

- ঙাংবম শান্তিকুমার -





হন্দক্তা চদোংদা থোকখিবা হী লূপ্পদা ইরমদমগী ইরৈচা অহূমনা পুন্সিগী খোঙচৎ মপূং ফাদনা লমখাংদা লোইখিবদি লমদম অসিনা মতিক চাবা চৎন-কাঙলোন নিংথিনা থম্বীদবা অমদি লৈরবসু মীয়াম্না ইন্দুনা চত্তবা অসিননি হায়না থমজগে। থৌদোক অসিদা নত্তে ইরমদম কংলৈপাকসিদা মীওই কয়া লমখাংদা খঙদ্রৈদনা পুন্সি লোমখিবা। অসিগুম্বা মীশি মীনাগী থৌদোক কয়া অমসু অতোপ্পা হীরম কয়াদা তত্তনা থোক্লিবনি। খুদম ওইনা খরা পঞ্জরবদা - রোদ ত্রাফিক এক্সিদেন্ট থোক্লিবা, চিঞ্জাক্ত যু য়াওরম্বদগী শিরিবা, যুদা চাহৈদবা কেমিকেলশিং হাপচিন্নবদগী মীওই কয়া শিরিবা, লাইসেন্স গন পায়বশিংনা নোংমৈবু লান্না শীজিন্নদুনা হাৎপগী কেস কয়া অমা থোক্লিবা, তুরেলদা, পাৎতা, ঈশিংদা তাদুনা, ইরাক্ত দুনা পুন্সি লোমখিবগী থৌদোক কয়া অমা। মসিগী মথক্তা পুলিস অমদি আর্মিগী মখুৎতা অরানবা মরাল শীজিন্দুনা হাৎখিবগী থৌদোক কয়া অমসু য়াওরিবনি। পূম্নমক অসি লমদম অসিদা আইন অমদি চৎন-কাঙলোন মতিক চানা থম্বীদবা অমদি করিগুম্বা আইন লৈরবসু মদুবু ইন্দুনা মথৌ তৌদবা অমদি ইন্দুনা চৎপীদবদগী লাকপা মহয়নি হায়না থম্বা য়াই।

হন্দক্তা চদোংদা খুঙ্গং অমদগী মচিন-মনাও অনী অমদি মখোয়গী লৈকায়দুগী লৈশাবী মচা অমা পূন্না মখোয় অহূম নোংলৈ নুংশিংনা হুম্বদা হী লাকপদা পুন্সি লোমখিবা লোল্লমদবসু য়াই। করিগুম্বা ইরমদমগী লৈঙাক্তা অচেৎপা, অকনবা চৎন-কাঙলোন খরা থল্লম্বা থোক্লবদি। করিগুম্বা ইরমদমগী লৈঙাক অসিনা য়াম্না থাপ্না য়েংদুনা তুংদা করি ওইরকপা য়াই খন্দুনা মফম অসিদা লৈরিবা, শীজিন্নরিবা হীশিং অসি সেফটি ওইব্রা ওইদ্রা, হী অমদা মীওই কয়া তোংবা য়াই, য়াদে অমদি তোংলিবা মীওইশিংদা লাইফ গর্দ পীবরা, পীদ্রা হায়বনচিংবগী চৎন-কাঙলোন থমদুনা চৎনহল্লম্লবদি নুংশিবা ইনাও অনী অমদি নুংশিবা ইচানুপী অসুক ঙগ্না পুন্সি লোইরন্নোই লমখাংদা, খুদম ওইনা হায়রবদা, হী তোংবা মতমদা মখোয় লোইনমক লাইফগর্দ হাপ্তুনা তোংলম্লবদি মখোয় কৈদৌনুংদসু ঈশিংদা লুপলন্নোই, কনবা ঙম্লমগনি হিনা মথক মখা ওল্লবসু। অদুবু লাইফগর্দ জেকেট লীত্তবনা অমদি লাইফগর্দ রেস্ক্যু রিং, ট্যুবনচিংবা অমত্তা হীদুদা য়াওদবনা মখোয় ঈশিংদা লুপখিবদা কনবা ঙমহৌদবনি।

য়েংবীয়ু মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাক কয়াদা টুরিষ্ট কয়া হী তোংদুনা, ৱাটরবুট তোংদুনা, শিপ তোংদুনা শান্নরিবা, কোয়নরিবা, চৎনরিবা ঐখোয়না লোইনা তারবা-উরবা ঙাক্তনি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি তোংবা মতমদা তোংলিবা মীওইশিং লোইনমক, লাইফগর্দ লোইনা শীজিন্নে। অদুবু ঐখোয়গীদি কদাই। ইরোইবা হৈ-হৈতেসু খঙদে, লাইফগর্দ জেকেটসু শীজিন্নদে অদুগা ঈশিংদগী কন্নবা লাইফ রেস্ক্যু রিং অমদি ট্যুবসু অমত্তা পুবা উদে হায়রিবা হী মচাশিংদো। হায়রিবা পুন্সিবু কনবা ঙমগদবা পোৎলমশিং অসি অমত্তা য়াওদনা, শীজিন্নদনা পংতোংদা তোংবা য়াহল্লি লৈঙাকসিগী মখাদা লৈরিবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা, মসি য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনফম থোকপনি। হৌজিক্তা অশি-অনা থোক্লবা মতুংদা হা অদু য়েংশিনগনি, অদু থমগনি হায়বসিদি লৈখিদ্রবা মখোয়গী পুন্সিগী মমলদুদি করিসু লৈতনা খনবগী মওংনি। মসিমক অতোপ্পা হীরম কয়াদসু থোক্লিবনি। ঐখোয়সু মালেমগী মফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা ৱাটর মোটোর বোট তোংদুনা, বোট তোংদুনা, ঈশিং ঈপাক মথক্তা হেঙ গ্লাইদিং পায়দুনা, শিপ তোংদুনা হরাউ নুংঙাইবা কয়াদা শরুক য়ারুরে। অদুবু ঐখোয়না হীনি খঙদে, শিপনি খঙদে, ৱাটর মোটোরবোটনি খঙদে তোংবদা নোংমতা লাইফগর্দ জেকেট লিৎতনা তোংবা অমুক্তা য়াওখিদ্রি চৎলিবা ঈশিং লম্বীদু ফনা হেনবা ওইদুনসু। অচৌবা হী ওইবনা করিগুম্বা লাইফ জেকেট লিৎত্রবসু হীদুদা মীপূম খুদিংমক্কী মশীং শুনা লাইফ জেকেট য়াওই অমদি অতৈ লাই রেস্ক্যু খূৎশু খূৎলায়শিং লোইনা য়াওই হীশিংদুদা। করিগুম্বা চদোংদা থোকখিবা নুংঙাইতবা থৌদোক অদুদা মখোয় লোইনমক লাইফ জেকেট লিৎপা থোক্লক্লবদি কনা অমত্তসু পুন্সি লমখাংদা লোমলন্নোই।

পুন্সি লোমখ্রবা মখোয়গীদমকসু য়াম্না নুংঙাইতে অদুবু হেন্না নুংঙাইত্রিবদি, থম্মোয় শোক্লিবদি লৈহৌরিবা মমা-মপা, লোয়নবী, মচাশিং অমদি ইমুং-মনুং অদুনি। ইশামক মপা অমা ওইনা, মপুরোইবা অমা ওইনা, মচিন মনাও অমা ওইনা অসিগুম্বা ফীভম অসি থোক্লবদি করম্না খাঙবা ঙমগনি। লৈহৌরিবশিংসিনি হেন্না ৱাগদৌরিবা, ৱাখল লায়না চেনগদৌরিবা। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া অসি থোকহল্লোইসি হায়রবদি পাল্লিবা লৈঙাকসিনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা চৎন-পথাপশিং নিংথিনা শেমদুনা থমগদবনি। অদুগা মীচম মীয়াম্নসু হায়রিবা চৎন-কাঙলোন অদুবু ইন্দুনা চৎকদবনি।

মহৌশাগী ওইবা নোংলৈ নুংশিৎ লাকপা, ঈশিং চাউবা, লম্বী, তুরেন খোংবান অমদি চীং নিংখাইবা হায়বসিদি মহৌশাগী থৌদোকনি। মসিদি ঐখোয়না থিংবা ঙমলোই। মসিদি মহৌশাগী খোঙচৎনি। অদুবু মসিদগী থোক্কদবা খুদোংথিবা অমদি অশি-অনা কয়াদি ঐখোয়না হোৎনদুনা ঙাকথোকপা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা চদোংদা হন্দক্তা এপ্রিল ২৮দা থোকখিবা নোংলৈ নুংশিৎ ঐখোয়না থিংবা ঙল্লোই, য়ারোই অদুবু নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তুদা অশোক অপন অমদি অশি অনা থোকখিবদি ঐখোয় মীওইবগী ইরালনি। হায়বদি নোংলৈ নুংশিৎতুদা অশোক অপন অমদি অশি অনা থোকখিবসিগী মরমদি অহানবদা, নোংলৈ নুংশিৎ লাক্কদৌরে হায়রবদি খুদক্তা মফম অদু থিংজিনগদবনি। অসিগুম্বা নোংলৈ নুংশিৎ লাক্কনি হায়বগী ঈ-পাউ তারবদি মফমদুগী দি সীনা প্রাইভেট অমদি পব্লিক মফমশিং খুদিংমক অশোক অপন অমদি অশি অনা থোক্তনবা মফমশিং অদু থিংজিনবা মথৌ তাই। মসিমক মালেমগী চাওখৎলবা মফম পূম্নমক্তা তৌনরিবনি। টাইৱানসি টাইফুন য়াম্না তোয়না লাকপা মফমনি। তাইফুন অমা লাক্কদৌরে হায়রবদি টুরিষ্ট মফমশিং, রেষ্টুরেন্টশিং, প্রাইভেট কম্পেনি অমদি গভর্ণমেন্টকী ওফিস চাদা ৯০-৯৫ থবক লেপকনি। লোয়ননা মীচম মীয়াম পূম্নমক য়ূম য়ূমদা লৈনবা টি ভিদা, রেদিওদা অমদি পাউচেশিংদা মাঙজৌননা লাউথোক্কনি। অসিগুম্বা সেফটি মিজর ময়াম অমা লৌখৎপনা অসুক তোয়না অকন অকনবা টাইফুন লাক্লবসু মীওইবদি অশোক অপন অমদি অশি-অনা থোক্ত্রিবনি। আর্থক্কেক বেল্ট ওইবনা অকন অকনবা য়ুহার হাবসু অসুক্কী মতিক তোয়না থোকই অদুবু অশি অনাদি অসুক্কী মতিক নেম্না থোকই গভর্ণমেন্টনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা থম্বনা।

চৎলিবা চহীসিগী এপ্রিল ১৮, শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.০১দা সেকেন্দ ১৮ চূপ্না হাখিবা ৬.১ মেগনিচুদ য়ৌনা য়ুহার হেক হারিবা মতমদুদা লাইবক থীবা হায়গদ্রা ঐহাক লিফট মনুংদুদা ইতোমতা ঐহাক্কী মথোল ১৭তা লৈবা য়ূমদুদা কাখৎপগী মতমদা থোক্লম্মী। ঐহাক্লা হেক লিফ মনুংদা চঙবগা মথোল খরা কাখৎপা হৌরকান্দা লিফটতু নাকল অমদি নাকল অমদা হাইবা হৌরকপদা করিনো ঙসি লিফটসিনা অসুক হাইরিসিবু হায়দুনা ময়ায়দা লেপলবদি ফগদবা মাল্লি হায়দুনা ময়ায়লোমদা খোঙ থাংজিনবদা লিফটতু হেন্না হেন্নদুম হাইবা হৌরকপদগী খুদক্তুদা য়ুহার হাবনি খঙলকখি। মীৎকুপ্তুদা ঐহাক্লা তোংলিবা লিফটদু ঐহাক্কী ১৭শুবা ফ্লোরদা ঐহাক্লা য়ৌহন্নীংখিবদুদি করি হায়রুনি। ঐহাক ইতোমতা 'কম্মোন, কম্মোন' হায়দুনা ১৭শুবা ফ্লোর য়ৌবা ঙাইখিবনি। কয়াদি পাখৎলে, কিখ্রে নুমিৎতো। উচিন নাচিন্না য়ৌদুনা লিফটকী থোঙদো হাংদোকপদা অসুক্কী মতিক হরাওবা ফাওজখি। খঞ্জখি থম্মোয়সিদা 'ও, থোঙদি হাংদোক্লে' হায়দুনা। চপ মান্নবা মীৎকুপ্তুদা টাইপৈগী মথোল ৪৫ ৱাংবা বিল্ডিং অমদা লৈবা হোটেল অমগী মীওই ১০ অমদি লিফটকী থোঙ হাংদোকপা য়াদনা লৈখিবনি লিফটতুগী মনুংদা। মখোয়না কিরমগদবদো ঐহাক অদুম ইরায় লায়না খঙবা ঙমখি। ঐহাক্তি লাইবক ফবা হায়বা তারে ঐখোয়গী বিল্ডিংগী লিফটতু কন্না হাইনা হাইনা অদুম হাংদোকখ্রবনি। লিফটতগী থোরক্লবা মতুংদসু য়ুহার হাবদুদি লোইদ্রি। থোঙ হাংদোক্তুনা ঐখোয় লিভিং রুমদা য়েংবদা বল্ব ময়াম থাল্লিবা লেম্পশিং হাইবা লেপত্রি, ঐহাকসু নিকপা লেপত্রি মতমদুফাও। অসুক কন্না হাখিবা য়ুহারদুদা অশোক অপন, অশি অনাদি থোকপা তাখিদে মরমদি লৈঙাক্লা য়ূম কৈ অমদি লম্বী থোং শাবগী চৎন-পথাপ অসি য়াম্না চেকশিন্না ইন্দুনা শাবনা। অদুগুম্বা অকনবা য়ুহার হাবা অদু ইরমদম মণিপুরদা থোক্লবদি করি ফীভম ওইগনি।

অসুম্না চদোংদা লৈরিবা হী মচাশিং অদু লৈঙাক্লা সেফটি রুলস এন্দ রেগ্যুলেসন্স ইন্দুনা শাব্রা, হীশিং অদুদা ট্যুব রিং, ট্যুব অমদি লাইফ জেকেটশিং, অতোপ্পা রেস্ক্যু ইক্বিপমেন্টশিং হাপ্পরা, তোংলিবা মীওইশিং অদু লাইফ জেকেটশিং লিৎপরা হায়বনচিংবা চৎন-কাঙলোন কয়া অসি য়েংশিন্দুনা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি য়াওরল্লবা, মীওই ১২ অদুনা লাইফ জেকেট লিৎলল্লবা লৈখিদ্রবা মীওই অহুম মখোয়গী হী অদুনা মথক মখা ওল্লবসু মখোয় ঈশিং মনুংদা লুপ্পা হায়বদুদি থোক্লল্লোই। লাইফ জেকেটতুনা মখোয়বু কনবা লাক্ত্রিফাওবদি ঈশিংদা তাওদুনা লৈগদবনি। অদুবু অৱাবদি মখোয় কনা অমত্তা লাইফ জেকেট লিৎখিদে মরম অদুনা মখোয় অহুমদি কনবা ঙমহৌদ্রে। করিগুম্বা লৈঙাক্লা অসিগুম্বা চৎন-কাঙলোন হান্না থম্বীরল্লবদি ঙসিসু হিংলমখিগদবনি মখোয় অহুম্মক মখোয়গী ইমুং মনুংগা নুংঙাইনা। অদুবু পূম্নমক অসি য়েংশিনবীখিদবনা চৎখ্রে মখোয় পূন্সিগী পম্থুং য়ৌদনা। কয়াদা অৱাবগী মশকনো।

নুংঙাইবা পাউ অমনা থেংলবসু থেংনা লোক্তাক পাৎতা শীজিন্নরিবা হীশিং অসিগী ওইনা লাইফ জেকেট কয়া অমা থুংলরে হায়না সোসল মিদিয়াদা উখি। য়ারিবমখৈ থুনা অতৈ টুরিষ্ট লাক্লবা পাৎশিংদা থম্বা হীশিংসু অতোংবা মীওইশিংনা লিৎনবা লাইফ জেকেটশিং পীবিনবা হোৎনবীগনি পাল্লিবা লৈঙাকসিনা। অদুবু লাইফ জেকেট লৈরে, রেস্ক্যু তৌনবগী খূৎশু খূৎলায়শিং য়াওরে, থল্লে হায়দুনসু করিগুগম্বা নোংলৈ নুংশিৎ, সাইক্লোন্নচিংবা লাকপগী পাউশিং হায়রিবা টুরিষ্ট স্পোটশিং অসিদা খঙহনগদবনি মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি দিপার্টমেন্টশিংনা অমদি হায়নবা লৈতনা খুদক্তা হায়রিবা মফমশিং অসি থোঙ থিংজিন্দুনা নোংলৈ নুংশিৎতো লোইদ্রিফাওবদি থমগদবনি। মতাংসিদা মীচম মীয়াম্নসু মরৈ য়েৎতুনা মখোয় করিসু তৌরোই হায়বনচিংবা হায়দুনা হী তোংনবা হোৎনরোইদবনি লোয়ননা পাৎ ময়াদসু লৈরোইদবনি। অকনবা য়ূমগী মনুংদা চঙশিন্দুনা লৈগদবনি। মীয়াম্না চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা চৎত্রবদি লৈঙাক্লা ফনা ফবা খূৎলায় থমদুনসু অশোক-অপন, অৱা-অনা অমদি অশি-অনা অদুম থোক্কনি। পূন্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই। মসিনা ঈশিংগী হীরমদা ওইখ্রে।

অতোপ্পা হীরম কয়া অমসু লৈরি লৈঙাক্লা য়েংশিনগদবা। ঙসি ইরমদম কংলৈপাক্তা লাইসেন্স গন পায়বা মীওই কয়ানা লাইসেন্স গন পায়বগী চৎন-কাঙলোন কয়া থুগাইদুনা মীওই কয়া অমা শোকহনখ্রে অমদি হাৎখ্রে। মসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হীরম অসিদা নিংথিনা য়েংশিনবীদবদগী থোক্লিবনি হায়বা য়াই। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি ওথোরিটি অদুনা লাইসেন্স গন পীরিবা মীওইশিং অসিদা নোংমৈ পায়বগী চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা চৎপরা হায়বসি তত্তনা য়েংশিনফম থোকই। অদুতা নত্তনা লাইসেন্স গন পায়গদৌরিবা মীওইশিং অসি মেন্টল্লি সাউন্দ ওইবরা অমদি মখোয়গী টেম্পরেমেন্ট করম তৌই হায়বা য়েংথোক্তুনা পায়বা য়াবা মীওইশিংদা পীগদবনি অমদি ক্বালিফাইদ ওইদবা মীদদি পীরোইদবনি। ঐখোয়গী ইরমদমদা লাইসেন্স গন পায়বশিংসিদি মশা মশাবু ঙাকথোক্লবা পায়বা নৎত্রে অতোপ্পা তুশোন-মানশোনবা মীওই অমদি মীচম মীয়ামদা কিহন্নবা অমদি হাৎনবা ওইনা পায়নরে। মসিদি য়াম্না লানবা ৱাখল্লোননি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন চেনবা অসিননি মীচম মীয়াম ময়াম মখোয়না শোকহল্লিবা অমদি লমখাংদা পুন্সি লোমহল্লিবা। হীরমসিদসু লৈঙাক্লা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনফম থোকই অদুগা লাইসেন্স গন পায়বিরিবা মীওইশিংনসু মখোয়না নোংমৈ পায়রিবা মী হাৎনবা নত্তে, মখোয় মশাবু ঙাকথোকচনবা পায়বনি হায়বসি কাউফদে।

অতোপ্পা হীরম অমনা রোদ ত্রাফিক এক্সিদেন্টতা অশোক-অপন নংবা অমদি শিবসিনা নোংমৈনা কাপ্পুনা শিবদগী হেক মথংদা লৈ হায়না থেংনজৈ। রোদ এক্সিদেন্ট থোকপদা অশোক-অপন থোক্তুনা লমখাংদা পুন্সি লোমখিবা কয়া অমা য়াওরে অদুগা মসিগী মথক্তা করিগুম্বা শিহৌদনা হিংবা থোক্লবসু শোয়নাইবা ওইনা লৈহৌবা কয়া অমা য়াওরিবা অসিনি। গাড়ী এক্সিদেন্টতা শিবসিনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না নোংমৈনা কাপ্পুনা শিবগী হেক মথংদা লৈ হায়না থেংনজৈ। নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপা হায়বদুমদি ঐখোয়না অফম্পাগী মখাদা লৈরুবনিনা মদুদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে উবা ইফং ফংদে অফম্পা অসিমক লৌথোকখিবা নত্তনা। অদুবু রোদ এক্সিদেন্টতা শিবা অমদি অশোক অপন নংবা অসিদি ষ্টেট লৈঙাক্লা অমদি মীচম মীয়াম্না ৱাখল তামিন্নদুনা হোৎনরবদি চাং য়াম্না হন্থহনবা য়াগনি। মণিপুরদা মীওই লাক্ষ ৩০ মুক লৈ অদুবু এক্সিদেন্ট থোকপা অমদি মসিদগী অশোক অপন নংবা অমদি শিবগী চাংদি মীওই লাক্ষ ২২৩ লৈবা টাইৱান্দগী য়াম্না হেন্না ৱাংখ্রে রেসিও ওইনা য়েংবদা। মসিগী মরুওইবা মরম খরা হায়রগদি গাড়ী দ্রাইভরশিংনা ত্রাফিক রেগ্যুলেসন ইন্না থৌদবা, য়ু থকচিল্লগা গাড়ী থৌবা, ওভরস্পীদতা থৌবা, গাড়ী তোংলিবশিংনা সিটবেল্ট ফাজিন্দুনা তোংদবা, মোটোর সাইকল থৌবশিংনা হেলমেট উপ্তুনা থৌবা অমদি তোংবা, ত্রাফিক সিগনেল লাইট খিন্দবা, খিল্লবসু মীয়াম্না ইন্দুনা চৎতবা অমদি লম্বী চৎপশিংনসু ত্রাফিক সিগনেল য়েংদনা লম্বী লাম্থোক লানশিন তৌবা অসিনি (ত্রাফিক সিগনেলদি মফম অয়াম্বদা লৈতে মণিপুরদদি)। রোদ ত্রাফিক এক্সিদেন্ট হন্থহনসি হায়রবদি হীরমসিবু ঙাক শেল্লিবা ওথোরিটি অমদি দিপার্টমেন্ট, রোদ এন্দ ত্রাফিক ওথোরিটিনা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনফম থোকই। মসি মরী লৈনবা দিপার্টমন্ট অমদি লৈঙাক্লা নিংথিনা য়েংশিনবীদবনা মীচম মীয়াম্নসু ত্রাফিক রুলস ইল্লগা চৎত্রে। মসিনা মরম ওইদুনা ইমুং কয়া কায়না মৈশা লাংহল্লে, মৌ কয়া লুখ্রাবী ওইহল্লে। নুপা কয়া অমসু লুখ্রা ওইহল্লে, অঙাং কয়া মমা-মপা লৈতবা ওর্ফান ওইহল্লে, মীওই কয়া অমনা শোয়নাইবা ওইদুনা হিংলি করিসু তৌবা ঙমদনা অদুগা ইমুং কয়া অমনা মপূং ওইনা শেন্দান লম্বী তৌরম্বা মীশক অদুনা লৈখিদবদগী নৎত্রগা শোয়নাইদুনা চারা অনী শুনা চাবা ঙমদ্রে, মচাশিং লাইরিক লাইশু তমহনবা ঙমদ্রে। অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তনি ত্রাফিক এক্সিদেন্টনা পীরিবসি। অসিগুম্বা ফীভমসিদা লৈঙাক্লা তুমিন্না, নাচুংদনা লৈফম থোকপ্রা। লৈঙাক্লা চেকশিন্না মথৌ তৌরবদি মীচম মীয়ামসু অদুম তুং ইন্দুনা ত্রাফিককী চৎন-কাঙলোনশিং অসি শোয়দনা ইন্দুনা চৎকনি। টাইৱান্দা য়ু থক্লগা গাড়ী থৌবা য়াম্না তোইনা চ্যেক তৌই। ত্রাফিক পুলিসনা য়ু থক্তুনা গাড়ী থৌরম্বদা ফারবদি লুপা লিশীং ৬০ ফাইন তৌই নৎত্রগা চহী অমা জেলদা থমগনি। অদুগা মোটোর সাইকল থৌরিবশিংনা হেলমেন উক্তনা থৌরবদি লুপা ১,৫০০ ফাইন লৌই। করিগুম্বা রেদ লাইট সিগনেলদা থৌজিল্লুরবদি মদুগীসু লুপা ১,৫০০০ ফাইন লৌই। গাড়ী, মোটোর সাইকল মফম চাদনা খাম্বদা থেংনরবদি গাড়ীশিং অদু টুৱিং ত্রফনা টুৱিং ওফিসতা থমখগনি। মসি লৌথোকপসু লুপা ১,৫০০দগীদি তাদ্রে। ত্রাফিক্কী চৎনবীবু থুগাইদুনা চৎলম্লবা অদুম ফারে, শেল তিংলে, পুলিসকী ওইনসু, মিনিষ্টরগী ওইনসু লাল্লদি অদুম ফারে। অসুম্না লৈঙাক্লা য়াম্না অকনবা চৎন-কাঙলোন থমদুনা মথৌ তৌবনা মীচম-মীয়ামসু ইন্দুনা চৎনৈ, মরুওইনা শেল তিংনীংদবনা। মসিগী চৎনবীসি ইরমদম কংলৈপাক্তসু লৈরবদি ত্রাফিক এক্সিদেন্টনা পীরিবা চৈনা কয়াসি অসুক্কী মতিক চাং হন্থগনি হায়না থমজগে।

অচা-অথক্তা, মরুওইনা য়ুদা চাহৈদবা কেমিকেলশিং হাপচিন্দুনা শেন্দোং ফংনবা হোৎনরিবা কয়াবু অকনবা চৈরাক পীদবনা অসিগুম্বা থৌদোকসিদা মীওই কয়া অমসু অনা-অয়েক থোক্লি অমদি পুন্সি লোমখ্রি। মসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা য়াম্না লূম্না অমদি লুনা লৌফম থোকই।

লোইশিল্লকপদা, লাই ফওবনা পোকঙমদ্রবা মীওইবগী অমুকখক পোকপা মপোকসিবু করিগী লূম্না, লুনা খনবা ঙমদ্রিবনো ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাকসিদা। পুন্সিবু মমল লৈতনা খনবনা পুন্সি কয়া লমখাংদা পুন্সি লোমহল্লে। তেনখ্রবা পুন্সি অসিবু করিগী অমুক হেন্না তেলহল্লিবনো। মথক্তা পঙ্খ্রিবা হীরম খরা অসিদা অমদি অতৈ হীরম কয়াদা চান্না চান্নবা চৎন পথাপ থম্বীদুনা লৈঙাক্লা চেকশিন্না য়েংশিনবীয়ু অমদি মীয়াম্নসু চৎন-পথাপশিং অসিবু ইন্দুনা পুন্সি মমল লৈনা হিংসি। পোকঙমদবা মপোকনি কাউফদে। চৎন কাঙলোন ইন্দুনা চৎপনা য়াইফরে, য়াইফমিন্নরসি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ডোক্তরগী ষ্টেথোস্কোপ অমসুং এন্টিবাইওটিক্স খক্তনা হেলথ সেক্টর ফগৎহনবা ঙম্লোই

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

অনা-লায়েংশঙদা অনাবা মী ইয়াম য়াম্না উদ্রগদি হোস্পিটাল মান্দে হায়নবসু য়াওরিবনি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়াগুম্বা দিভলপিং লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা চাওখৎলবা লৈবাকশিংদদি অনাবগী মশীং অসি চাংচৎতা য়াম্না হন্থে। মসিনা মরম ওইদুনা চাওখৎপা লৈবাকশিংগী অনা লায়েংশঙশিং অসি হোস্পিটাল মাঞ্জদে হায়নবা য়াওরিবনি। তশেংনমক ইন্দিয়াদদি অপিকপদগী অচৌবা মী লায়েংশঙ ফাওবা মশীং য়াম্লবা অনাবশিংনা নুমিৎ খুদিংগী সিনেমা নৎত্রগা ক্রিকেট মেচকী টিকেট ইন্নবগুম ঙ্কং-ঙ্কং ঙংদুনতা লৈ। মণিপুরদসু মসিমক্কী ফীভমনি। অসুম্না চাওখৎখ্রবা অমসুং চাওখৎত্রিবা লৈবাক অসিগী মীৎনা উবা হেলথ সেক্টরদা খেন্নবা হায়বদু অসিনি।

চীং-তম অনীগী অরাপ্পা লমদমশিংগী ৱাদি থম্বু থমখিসি। ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা পীকখ্রবা ইম্ফাল সিটি অসিগী অকোয়বগী ফীভম, য়ূমলৈ-কৈরৈ অমসুং পুন্সি মহিং অসি ওন্থোক্লা খূৎ চাশিল্লক্তদুনা খুন্নাই অসিগী হেলথ সেক্টর অসি নিংথিনা ফগৎলকপগী মমি তাদ্রি। চহী কয়াদগী দ্রেনেজ সিস্টেম ফেল ওইবদগী কাঙ, হয়িং, মহীক-মনাই অমদি অপুম-অশাগী নমথীখ্রবা মনম পোকহল্লি। পাৎ, তুরেল, লমহাং-তুহাং কয়াসু অমোৎ-অকায় ঙাক্তা ঙায়শিল্লকপদগী লৈবাক মীয়াম্না ৱাকৎনবা লেপত্রি। য়োৎকী জালিনকা কুপশিল্লিবা মোৎলবা নাগা নালাদগী হাইগৎলকপা অপুম-অশাগী হু চেল্লবা নমথীখ্রবা মনম অদু নালাগী মনাক্তা ফমদুনা পোৎ চৈশিং য়োঞ্জরিবশিং অমসুং অতৈ অচৎ অওকশিংনা হকচাং মনুংদা হোঞ্জিন্দুনতা লৈরবনি। ইমা কৈথেল মনুংদসু ঙা চাক য়োনশিনবগী অপূম অশা মনম অদু নুংশা-শ্বর হোঞ্জিনবদা য়াওখিদুনা থবোম্বী অনী অসি নমথীবা অমোৎপা নুংশিৎনা পীক পীক থল্লবনি। পব্লিক টোইলেটশিংসু খোঙ থাংজিল্লুবদা হঙ্গোয়বা পোক্লবা ঙাক্তনি। লম্বী-সরক্কী সিষ্টেম ফত্তবা অমদি ত্রাফিক্কী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লদবদগী লম্বীগী এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং ৱাংলক্লিবসিনি। তুংগী য়ূম্বীরেল ওইহৌগদৌরিবা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংসু ময়াই কাবা পোৎতা লাইচুরকপা অমসুং দ্রগতা এব্যুজ ওইরবা কয়া অমসু লৈরিবনি। দ্রগ, হ্যুমেন অমদি নোংমৈ-খূৎলায়নচিংবগী ত্রাফিক্কীংগী থবকসু থিংবা ঙমদনা অদুম চথুরক্লি। মসিগীসু মথক্তা লমদম অসিদা লৈরিবা হোস্পিটাল প্রেমিসেসশিং অসিসু থাক ৱাংনা লূ-হেনবা অমসুং তরূ-তনানবা ইওই ওইদ্রি। প্লাষ্টিক্লুচিংবা অমোৎ-অকায় অমদি বাইও মেদিকেল ৱেষ্ট কয়াসু ইচায় চায়না তাবা য়াওরি। ষণ, শগোল ফাওবা সরক্তগী হেন্দোক্তুনা হোস্পিটাল প্রেমিসেস মনুংদা ফাওবা চঙবা থেংনরি। হায়রিবশিং অসি হেলথ হজার্দ ওইনীংঙাই ঙাক্তনি।

ডোক্তর অমদি হেলথ পার্সনেলশিংনা অফবা চিঞ্জাক চানবা, অফবা ঈশিং থক্লবা, অশেংবা নুংশিৎ হোনবা, হকচাং শাজেল তৌনবা, ৱাকিং চৎনবা অসিনচিংবা হকচাং ফনা লৈনবা মতিক চাবা পাউতাক পীবদি হালেংদ্রিবনি। অদুম ওইনমক ফুদ এদল্টরেসন, এয়র পোল্যুসন, ৱাটর পোল্যুসন, ইকোনোমিক প্রোব্লেম, এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফত্তবা, লৈঙাক্কী মঙম শাঞ্জদবা অসিনচিংবা মরম কয়ানা খুন্নাই অসিগী হেলথ সেক্টর অসি ইফ-ফগৎহনবা ঙমদ্রিবনি। থক্লবা অফবা ঈশিং ফংলক্তবসি চহী ৭০বু ফারমাল্লে। ঈশিং ফংনবা হোৎনবা অমসুং মদুবু চুমথোক্লগা অমুক শৌদোকহন্দুনা থক্লবা হোৎনবা হায়বসি করিসু লৈতে হায়বা য়ারোই। অসুম্না হোস্পিটালদা অনাবা মশীং য়াম্না নারক্লিবমখৈ অমসুং মণিপুরগী কাচিন কোয়া অমদি ইম্ফাল ময়োন্দা ফাওবা হেলথ কেম্প কয়া তৌরিবমখৈ হেলথ সেক্টর অসি শোল্লি, পোর ওইরি তাকপনি। ডোক্তরসু, অনাবসু অমসুং অনাবা অদুগী ইমুং-মনুংসু পূন্না নামিন্নবগুম্বনি হায়বা য়ারে। অনাবা লায়েংলিবা ডোক্তরশিংসু অনাবা য়েংবগী মেন্টেল টেন্সন অদুনা মেন্টেল প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লহল্লি হায়বসি মেদিকেল রিছার্সরশিংনা হায়নদুনা লাক্লিবনি। অসিনসু মরমশিংগী মনুংদা মরম অমা ওইরগা ডোক্তর অমসুং পেসেন্টকী রিলেসন্দা ৱাখল তামিন্নবা অমুক অমুক ৱাৎনবদগী থোকহন্নীংদবা সোসল প্রোব্লেম কয়া থোক্লি। ডোক্তর কয়া অমসু মনুং মতম চাদনা শিখিবা অমসুং নাদুনা লৈবা য়াওরিবনি।

অরোইবদা হেলথ সেক্টরবু নিংথিনা ফগৎহনগে হায়রবদি সোসিও-পোলিটিকো-ইকনমিক্স হায়রিবা দাইমেন্সন অহুম অসি থোং মান্ননা ফবা তঙাইফদে। অহুম অসিগী মনুংদা পোলিটিক্স অসি য়াম্না মরু ওই। চুম্নদগী ভোট কানবগী পোলিটিক্স নত্তবা লৈবাক অমসুং মীয়াম্বু পরম চুম্না হীরম খুদিংদা মীমান্ননা চাওখৎহন্নবা ঙাকপা হৈবা লৈঙাক্কী পোলিটিক্স অদুবুনি য়াম্না তঙাইফদ্রিবসি। মরম অসিনা হেলথ সেক্টর অসিবু ফগৎহন্নবগীদমক দাইমেন্সন অহুম অসিগী রেদিকল রিফোর্মেসন অমা হান্না তঙাইফদে হায়জনীংই। হেলথপু ফৎত্রবদি হোৎনরুগদবা, পাঙথোক্লুগদবা খুদিংমক অরেম্বা তাদুনা তোক্কনি হায়বসি ঐখোয় পূম্বা খঙনরিবা ঙাক্তনি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।